# হিজম অঙাংহলগী শৈহেক শৈদানা মথ্বায় হাপ্লিবা খম্বা থোইবী শৈরেংদা 'ষণ শেনবা' - ১

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

"মণি ষন্থারো, য়াইমা ষন্থারো, চাউবা ষন্থারো ...।" ঙসিদগী চহী য়াঙ্খেমুক মমাঙগী ৱারীনি। ঐখোয় লৈকায়দা লৈবা ষণ শেনবগী থবক তৌবা অহল অমা লৈরম্মী। অয়ুক খুদিংগীনি, মানা কোইলাউ লাউবদু। মখুত্তা শাজৈ অমা পায়, নোমহৌ নোমহৌ ষণ ময়ামগী মতুং ইন্নদুনা চেনবদু নীংশিংলকই। মহাক লৈকায়গী য়ূমথোঙ অয়াম্বদা লোয়রিবা ষণ ময়াম অমা শেনবীরম্বা মীশক্লি। নোং ঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা য়ূমগী থৌ শীৎপমখৈ থবক্তুবু মশাগী কায়ফদ্রবা মথৌনি খন্না নোংজু নুংশা থিদনা পাঙজরম্বা মীশক্লি। থবক্তুগী হায়রুরবদি মানা ফংলিবদো করিসু নত্তে, ইমুং পুবা ঙম্বগী চাং য়ৌবা নত্তে। মাগী থবক্তু ষণবুশিংখক্তগী নত্তনা লৌ ইঙ্খোল মপুশিংগীসু মপাঙ্গল কল্লবা চুঙ্গোইনি। মদু খঙবীবা মী ইয়াও য়াওখিদবনা মাবু হন্থনা য়েংবীবা নত্তনা ইকায়খুম্নবীবা নৎত্রগা তৌবীমল উৎপিবা মীগী মশীং ইরৈ লৈরমদে হায়বা য়াই। ঐখোয়সু অঙাংনি হায়দে, পূক্লিংদা অহল অদুবু মীথাদবগী মচৎসু লৈবশাই। হৌজিক্তদা সুম খল্লুরগা নুংঙাইরক্তে। হৌজিক মতমসি ওইরম্মু মীয়াম তিনবা মশক নাইবা থৌরম অমদা ইচম চম্বা মনা মথুমগা লোয়ননা ইকায়খুম্নবা উৎপীবদা মানা কয়াগী মতিক পেঞ্জগদবা! ঐখোয় মীওইবগী ৱাখল্লোনসিসু অঙকপনি, ষণ শেনবগী শেনবা চপ মান্নবদা শ্রী কৃষ্ণনা ষণ শেনবদি মতিক ময়াই লৈবা শিনফমগুম্না হেক মখন্নে। করি অমুক হায়গনি, নুংতিগী অয়ুক্তা ওল ইন্দিয়া রেদিওনা শন্দোকপা লাইশোল ঈশৈগী থৌরমদা "ইমাগী কহ্নাই হৌগৎলো থেঙলে মতম/ব্রজবাসিশিংনা ষণবী ষণনাও হোইদুনা/নঙবু হৌবা লাক্লে ষণ শেনবা ..." হায়বা ঈশৈসিবু থারক্লবা নহা অহল, নুপা নুপী খায়দে, মথৌ কাউবখৈ তানখিবনি। স্কুলগী পাঙথোকপা থৌরমগী ঈশৈ চাংদম্নবদা ঈশৈসি শকপা মহৈরোয়দো মনা অমদি অদুম ইফং ফংলে। মদুদনি ঈশৈসি শক্কে হায়না মিং পীশিনবা হানবা তান্নখিবদু। মদুদসু নত্তে, ষণ শেনবা লীলাদা ঙাওনরমখ্রপোৎনি, অহিং তূমদখৈ য়েংনরম্লিনি। শাওনীংগে তৌরকই, ষণ শেনবা মশেন মরক্তসু থাক অনেম অৱাং খায়বগী ৱাখল্লোন অমা অসুম্মক ঐখোয়গী কোক্তা শ্রু শ্রু নৈশিন্দুনা লৈরম্বদো খল্লুবদা। হৌজিকসু অদুমঙায় শিনফম অসিদা কখোকচরিবা অমবু ইকায়খুম্নবিবা মী ফংনি থাজদে।

খম্বা থোইবী ৱারী, ঐখোয়গী অশেংবা ইরন্নি। খুন্নুং শৈশক শৈরোন, মোইরাং শায়োন তরেৎকী ৱারীনচিংবা কয়ানা ৱারী অসিবু মীরোন মথং মথং লান্না লীদুনা লাক্লি। ৱারী অসিবু মপুং মরৈ ফারবা মহাকাব্য অমা ওইনা পুথোকপিরকখিবদি মহাকবি হিজম অঙাংহলনি। 'খম্বা থোইবী শৈরে' হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অসি তাঙ্কক নিফুহুমদোই থোক্লা খায়দোকই। ষন শেনবদগী হৌরগা খম্বা থোইবী লুহোংবা হায়বা মতাংফাওবনি। ইপা ইপুশিংনা চীনবুং ৱারী অমদি খুন্নুং ঈশৈ ওইনা খুদোল তম্বীরম্মী। অদুবু মহাকবিগী ফজরবা ৱাহৈ লৈতেং লোন্দা পুদা, প্রমান পান্থে, শৈহেক শৈদা , শৈলি, তান্থা, মফোঙদোক, তোপ তোপ্পা ষ্টাইল, কয়া অসিনা ৱারী অসিবু মচল শুনা থাক্লগা মচাক মথুম চানা থোংলবা মহাউ লৈরবা এঞ্জাং অমগুম্মী। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা ৱারী অসিবু মতিক ময়াই হাপ্তুনা মহাকাব্যগী থাক য়ৌনা পুখৎলিবদি মহাক্লনি হায়বসি হঞ্জিন-হঞ্জিন পল্লুবগী থোইদোক্ত্রে। 'ষণ শেনবা' তাঙ্কক, পুরেম্বা-ঙাংখরৈমা মপারী, খম্নুগীনা মৌপ্বা লায়র লমজা খম্বনা মোইরাং নিংথৌগী মনাওইবুংঙো চিংখুবগী লাকঙম ফাঙমদ্রবা কাওরেন অঙাওবা শেনখিবগী থৌদোক্লা য়ুম্ফম ওইবনি। অদুবু ৱারী পরিং মতুং ইন্না তাঙ্কক অসিদা য়াওরিবা কেরেক্তরশিং হায়বদি খম্বা, চিংখুবগী মমোম লাংলেন থোইবী অমদি মতারোয় সেনু, চিংখুবা, খম্নুনচিংবা মখোয় মশেন অমগা অমগা ঙাঙনরিবা লোনশিংনা ৱারীগী চেনা হাইদোকপা হৌরকই। লায়র লমজা ওইরবসু ষণশেন্নহা অমগী শিনফম পায়বা খম্বা নত্তে, চাউবা শারেপ ফারক্লবা পাখং অমগী মথৌদাং পাঙথোক্কে লাকপদা নিংথৌকোনগী মজাইবেম্মা থাদোই থোইবীগী থম্মোয়বু হুদুনা পুখিবা ঙম্বা থৌনা ফবা পাখংনি হায়বসি ময়েক শেংনা উৎলি। লায়র লমজা ওইবনা পলেম পন্থৌনা নাউকোন্দ্রবসু ঙাঙথোরকপা ৱাঙাঙ শাঙাঙ, উৎথোরকপা হৌন লোনচৎনা চায়োক নাউয়োক চেকশিনবী মচেম খুম্নুগী শীংথানিংঙাই ওইরবী লমচৎপু য়েকপা হৌরকই। নোংবানগী মতিক ময়াই, তৌবা ঙম্বা, অথোই নাপল কাবা মতৌ, ফত্ত ৱাখলনা মাঙওইনবা মচৎ মওং, খম্বা নোংবান অনীগী খেন্নবা লমচৎ উৎপা হৌরকপগা লোয়ননা হীরম খুদিংমক্তা তান্নহি ওইরক্কদৌরি হায়বসি ইঙ্গিৎ পীরি।

ষণ শেনবা হায়না মিংথোনবা অহানবা পন্দুপকী মপুং ওইবা ৱারীদি খম্বা থোইবীগী নুংশি শৈহৌনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। থবক শূবা চৎলগা মচেগী মতেং পাংলগে হায়বা খম্বদা ফাওরকখিবা মবুক্লিংগী অপাম্বদু মচেদা ফোংদোকই। অদুবু মচেম খম্নুনা য়াদে। কাইনথংদা মচেগী য়াথং ফংলবা খম্বা অমনবা খুদৈ শেৎ, শেগাইবা ঙবোং ইন্দুনা লীচৈ অমা পায়রগা লাকপনা চিংখুবগী য়ুমদা থুংলখিবগা লোয়ননা থবক শূজগে হায়বদগী চিংখুবগী কাউরেন পুরুপ ষণ অঙাওবা য়াওনা ষণ ময়ামদু শেল্লম্মী। মদুগী মতুংদা ফি রোল, চেঙ হৱাই, ঙা, থুম্নচিংবা পীরকপশিংদু পুরগা লাকপগী লম্বীদা অঙোম নোংবান্না খম্বদগী মখোয় অনী মুক্না শান্নরম্মী। মদুদা চহী তরেৎ মনম লৈবাক তারক্ত্রবা নোংবানবু খম্বনা লংথবদা মায়থীবতনা মশরূক ওইরম্বা খুন্থক মচা পূম্নমক হরাউমনখিবনা মশা মশানা ইল্লম্বা ফি পূম্নমক খম্বদা থাদোকপগা লোয়ননা মহাকপু খুন্থক শঞ্জেল্লোই হঞ্জবা হাপখি। ৱারম অদু তাবদা মিপাইজরবী খম্নুনা মৌপ্বাবু চাখোকহন্নীংদে। নুমিৎ নিনি হুম্নি মমান্নবশিংনা হৌরবদগী শঞ্জেন লোইশঙ কারম্লগা মচেনা য়াদবদগী চৎথোকখিদ্রে। অহানবা উবা নুমিত্তা থম্মোই কৎচখ্রবী থাদোই থোইবীদি ৱানা চাক্লা লেঞ্জখি।

মতৌ অসুম্না পন্দুপ অসিমক্তি ইচম চম্বা ষণ শেনবগী ৱারীখক্তমক নত্তে, মচীন মৌপ্বা অনীগী মরক্তা লৈরিবা নুংশিনবগী মরী, লায়রবা-ইনাকখুনবা অনীগী খেন্নবা পুন্সি মহিং, অশেংবা নুংশিবগী মচৎ, নুপা অমগী মতিক ময়াই হেনগৎহনবগা লোয়ননা মুক্না মশান্নবা মণিপুরী খুন্নাইগী পুন্সিরোলদা পীরম্বা ইথিল, অচুম্বা চৎপা অমদি নোল্লুকপা মতৌনা লৈতেংবশিংদি, ফনমক তোল্ল তারবা ওইদুনসু মাগী মীচং ৱাক্তে হায়বনচিংবা পাউজেল পীদুনা লৈশি লৈথোল্লিবা তাঙ্কক্লি। খম্বা, থোইবী, নোংবান, চিংখুবা, খম্নু, সেনু কনানো হায়বদু শৈথারিবা ময়েকশিংনা কাউথোকপা হৌরকই। খম্বা খম্নু মচীন মৌপ্বা লায়রবা লমজানি হায়বসি নুংশিরবা ৱাহৈগী লৈতেং থোন্দুনা শৈথারম্না শৈরেংগী মতিক মগুন অসুক্কী মতিক ৱাংবগা লোয়ননা শাফু কল্লি হায়বসি ময়েক শেংলে। অপাম্বা খুদিংমক্লা নুংশিবা পোক্লগদবা মচিন মৌপ্বাগী পুন্সি মহিংবু অসুক্কী মতিক নুংশিনা শৈথারি, কেগে মোইরাং লৈপাক্তা হন্না য়েংবা উদ্রবা,/মাগীদমক হায়দনা তুমিৎ ফাওবা পাইদ্রবা, কেগে সারা ওইরবা মোইরাং লমজা তারবা/খম্বা-খম্নু কৌবদি মচিন-মৌপ্বা অনীনি।" নুংশিবা মখল য়াম্বী। পূম্নমক্তগী অথোইবদি মমানা মচাবু নুংশিজবনি। মন্থিনদে লমন থৌনদে, কখোকপনা মশরূক ওইবীনি। খম্নুনা মৌপ্বা খম্ববু নুংশিজবদি ফিদম্নিংঙাইনি। লমজা মচা ওইরবসু খম্বগী অৱাৎপা লৈহন্দে। মমা, মপা, মচে, ওজা মরিমক্তগী ফংগদবা মপান নাইদ্রবা নুংশিবদু মচেম খম্নুদগী খম্বনা ফংজৈ। খম্ববু খম্নুনা মচাগুম্না নাউয়োক নাউকোল্লকই হায়না ইশম শম্না ইরম্লবা মতিক ময়াই অদুক হাক্লা ৱাংলমদবসু য়াই। মমা মচাগী মরীমক্কা চাংদম্নবা য়ারবা মচীন মৌপ্বা অনীনা ঙাঙনবা ৱারোলবু ৱাহৈ পরেং ১২৬ তা শৈথারি। ৱাজরবী মচেগী মতৌ য়েংবা ঙমজদ্রবা খম্বনা চাউবা শারেপ ফারকপগী হৌনশা মতেং পাংলগে খন্দুনা ইনাক খুনবা কনাগী য়ুমদা শিল্লংবা চৎকে তক্লনরকপা মচেনা য়ানীংদনা উৎপা মতাংনি, খম্নুনা মৌপ্বাবু অসুক্কী মতিক নুংশিজৈ, পাম্মুজৈ হায়বগী মপাউ শৈথা পরেংশিং অসিনা অপাবা খুদিংমক্কী থম্মোইদা য়ৌহনবা ঙম্মী। শৈথা মতেক অমা, "ইদু নিংথৌ কৈদগী কেগে মোইরাং লৈপাকতা / কোম্থোং অনী লান্দ্রিবা নোংয়াই করম্না, কেগে লৈপাক অসিদা কদায় শিল্লংউগনি ! সিসু লায়রে মতোক-ও, ইচেম-পনবু পন্নিংদে/হায়দসিসু কদায়নো খম্বা নঙগীদমক্লি !/করম পুথোক্লসিগে নঙবু মোইরাং মমাংদা ! / চনু নিংঙোল কয়ানি - নমান্নবা লখানি ! / লমজা ওইবা নঙগীদি নোংয়াই ! কনা লৈতেদো ! /খুমন হৈনা - নতুংদি ইল্লবদি ঙম্মোইদো ! সুম - হেরাগুম্লবা নোংয়াই নঙগী নতৌনি, / কেগে মীরক তিল্লরো, তিন্নরুরবনিনা, / চানবিবসু য়াওগনি তাৎথিবসু লাক্কনি । / চৎথোক্কনু ইবুংঙো, থোকহন্নিংদে ইচেম্না !" ৱারীগী মগুন হাপ্লিবা প্রমান কয়াগী মনুংদা, " নোংয়াই নোংবান অনীদো পাবোৎ শনগী মওংনি।/ ইংখোং লীগুম শোয়ফদা হংগেল - লুগুম সেম্ফদা / তান্ন-হিগী মওংনি শান্নরক্লে মুক্নাদো ! / খুমন মচা খম্বনা কান্দ্রা উবাক খায়বগুম / মালেম লৈকং থক্তুদা থাদখরে নোংবানবু ।" কয়াদা মতীং লৈখ্রবা ফাগি পুবা খুদম চাংদমনো ! ●

# মালেমগী অচৎ-চত্ত জীব পূম্বা ইমা অমত্তগী ইচিন-ইনাওনি খনসি

- কোন্সম হরিদাস -



ঐহাক কোন্সম হরিদাস, অরাপতি লিলোং মপান্দা লৈজবনি। ঐহাক অরাপতি উরুপ ফার্মর এসোসিএসনগী সেনিয়র এদভাইজর অমা ওইজরি। ঐগী ইপা কোন্সম মনাওবী, ইমানা এংখোম নিংঙোল কোন্সম ওংবী লৈরীক কৌই। ঐখোয় ইচিন ইনাও নুপা ২, নিংঙোল ৩নি। ঐগী ইপা কোন্সম মনাও (মনাওবী) হঙ্গৎনা ঙসিদগী চহী ৫৫ রোমগী মমাঙদগী মণিপুরদা লৌউ-শিংউ ইঙ্খোল কোয়বা থোয়দোক্লা লমদমসিদা কোবী থাবদা কোন্সম মনাওবী কোবী থাবা হায়না মীয়াম্না য়াম্না শিংথানা, তমজনীংঙাই ওইনা ইরমদম মণিপুরদা শিংথানবা মীশক অমা ওইরম্মী। ইরমদমসিদা শিংথাবা লমদম অমদি মীওই পঞ্জরবদা মীয়াম্না ৱাবগায় কৈরক হায়না খঙনরিবা লমদমদু কোবী থাদ্রিঙৈগী মমাঙদা ৱাবগাইদগী নিলবীর কৌবা অহল অমনা ইহান হান্না ঐখোয়গী ইপা মনাওবীদগী কোবী অমদি এঞ্জাং-নাপি থাবগী অহানবা সেবকনি তাকপীরম্মী। মহাক্কী অতোনবা মচানি ঐহাক। ঐহাক অরাপতি উরুপ ফার্মর এসোসিএসনগী এদভাইজর অমা ওইনা পাউচেগী লমায়দা মীয়ামগী মীৎমাঙদা ঐগী খঙজবা খরা ফোঙদোকচরি।

অহানবদা ঐনা হায়জনীংবদি পুন্সি হায়বসি কলাগী মরলনি। কলাগী খুদোলনি হায়নরি। মীওইবনা মানা-মানা পামজবা শিনফম খুদিং মাগী মাগী চুনবা চুন্নদবা থিদনা ৱিল কন্না হোৎনবগী মথৌ তাই। শিনফম খুদিং থৱায় হকচাং য়াওনা শিনফমদুবু মাঙদা থম্বা মথৌ তাই। অদু নত্তদুনা তুংওইনরবদি ঈশৈ তৌবা, লৌউ-শিংউবা, মহৈ মশীন তম্বা শিনফম খুদিং মহয় চারোই হায়জনীংই।

ফোটোসিদা উবীরিবা কোবিসি ব্রোকোলিনি। কোবীগী মরক্তা য়ুংলিবা চৈশিং উবীরমগনি। চৈশিংসিদা মখল কয়াগী উচেকশিং তোংদুনা কোবি তীল চারগা তোংনবা চৈনি। মসিগী কান্নবা হায়নীংঙাই লৈতে। মীওইবদা মাঙহনবা য়াবা তীহাৎ হীদাকশিং শীজিন্নদনবা পান্বেনি। থায়নগী অহলশিংনা তীলহাৎ হীদাক লৈত্রিঙৈদা অসুম্না পোৎ মরক্তা চৈ য়ুংদুনা তীলশিংদগী ঙাকথোক্লবা পান্বে কয়া থিনরম্মী। মতাংসিদা অমত্তংগা পঞ্জরবদা ঐখোয়গী ইপানা হায়বীরম্মী, মতম অমদা প্রোজেক্টকী হার হায়রিবা পোৎশকসিনা য়াম্না শীজিন্নবা অমদি তীলহাৎ হীদাক মখল কয়া শীজিন্নরক্কনি। মতমদুদা তাইবংপানবা জীবশিং লায়না পক্কা মিশি ভালো হায়বা চৈথেংদু ফংলক্কনি। অদুনা য়ারিবমখৈ নঙ নশানা চাগদবনি খল্লু, য়োন্নবখক্কী খনগনু, মীয়ামসু নঙগুম্বনি। মরম অদুনা ইঙ্খোলদা তাবা তীল ফাদোকউ। অদুগা তীলশিংদু অরাপ্পা মফম অমদা থাদোকউচো, হাৎলুনু। জীবশিংবু নুংশিবনা খ্বাইদগী চাউবা ধর্ম্মনি খল্লু। অপিকপা তীলনা খজিক হুৎপবু হাৎকদ্রা, লম্পাক অমা তুম্না চাথোক্লিবা ষণদি হাৎপা য়াব্রা? লৌপাকশিং ইঙ্খোল ওইনা শীজিন্নবদা হকচাং শোক্লোইদবা হীদাকশিং শীজিন্নসি, লোয়ননা ষষ্থি, উৎ-ৱাই, উনা-শিংনাগী শেম্বীরিবা হার মফমদু নোংখাং চাইদবা য়াম্না চেকশিন্না খাবা, নোং য়ুদবা মফম ওইগদবনি, নোংখাং চাইবা খূৎশেমগী হারদু, নোংখাং চাইদবা হারনা ১০০দা ৮০ ফবা হেল্লি।

অমরোমদা ঐখোয় মীওইবনা মালেমদা লৈরিবা অচৎ-চত্ত জীবশিংনা মীওইবগী মতেং চাউনা পাংলি। অদুনা মখোয়বু ইমা অমত্তগী ইচিন-ইনাওনি খনবদা লাল্লোই। ঐখোয়না ঐনা-ঐনা তৌরিবা শিনফমদু ইচা য়োকপগুম লুনা-চান্না তৌরবদি পোৎতুনসু ঐখোয়দা শোয়দনা ইতেং পাংলক্কনি। লোয়ননা মালেমসিদা হিংমিন্নরিবা জীবশিংবু করিগীদমক য়েক্লবগুম লৌগনি। অপিকপা উচেক মচাশিংনা লৌ-ইঙ্খোলদা তাবা তীল-কাং ফাদোকপী। অপিকপা শেন্দ্রাংনা মীওইবগী থৱায় মাঙফম ওইরিবা লিন লাক্লে তাক্লি। অদুগুম্বা লিন্দুনা মীওইবগী মরল-মথুম মাঙহল্লিবা উচি ফাদুনা চাথোক্লি। নোং তারকত্রবা মতমদা হঙোই খোংদুনা কৌথৈ হায়বসি থাজনৈ। হুইশিংনা অহিং তূমদনা মপুগী য়ূম শংলি। শা-ষণশিংনা মীওইবগী মতেং হায়নীংঙাই লৈতনা পাংলি। জীবশিংগী ফুদ চেঞ্জিং কয়ানা মীওইবদা হায়নীংঙাই লৈতনা কান্নহল্লি। মরমসিনা ঐখোয় মীওইবনা ঙম্লে মতাগুম জীবশিংবু নুংশি হৈতনা পংহাৎ হাত্তোকপা লানগনি। তঙাইফদ্রবদি থৱায়দুবু হাপ্পীবা তাইবংগী মপু লৈরি। মখোয়গী মফমদা নীজবা তাই।

ইরমদম মণিপুর সনা লৈবাকনি পন্নরি। লমদমসিদা হৌরিবা উপাল-ৱাপাল, উরি-ৱারিশিং, শিদ-হীদাকনি লৌনরি। মখোয়বু করম্না ঐখোয়গী ইচিন ইনাওনি লৌরোইদগে। মরম অসিনা মালেমদা লৈরিবা অচৎ-চত্ত, লেংলি-পাল্লিবা জীবশিংবু নুংশিনা লোয়নরগা মখোয়দগী মতেং শোয়দনা ফংগনি। ঐখোয়না চিঞ্জাক্তা মীপাল তাংদনবগীদমক ঐখোয়না লৈবা ফংদবা মতম মাঙহন্দনা থবক কন্না শূসি। পৃথিবীগী মমল খঙসি। খুদুম্মুক চাউবা সনা অমগী মমল য়াম্না য়াম্মী। মদু থম্ফমদু মাগা মমল লেপসি, মসি খঙনা উপাল-ৱাপাল, মনা-মশিং থাদুনা নুংশিনা থৌগল তৌসি হায়জনীংই। লোয়ননা অহেনবা পোখোক পুথোক্তুনা চিঞ্জাক্তা মীপাল তাংদনবা হোৎনসি।! ●




## মরোল থোকপা লাই




পাউচে অসিদা ফোংদরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লবা মরী লৈনদে।